# পূন্সি ঈশৈ? নৎত্রগা ঈশ্বরগী ঈশৈ?

- এস ইন্দ্রকুমার-



চয়োল অমগী মমাঙ, ঐগী মরুপ অমগী অপোকপা লৈখিদবগী, চহীগী 'কুমওন ফিরোই' অমা য়াওরুই। লৈখিদ্রবা অহলদু মশাগী প্রিন্সিপল অমা ঙাক্না, থবক অমা তৌবদা মতম ঙাক্না পাঙথোকপগী কাঙলোন অদু পূন্সিগী অরোইবা মীকূপ ফাওবা ঙাক্না চৎখিবা মীশক্লি। মরুপ্তু, মহাক্কী অমত্তা পোকপা মচা ওইবনা, থৌরমদু মতম চানা হৌগনি খন, চেবাউদা ইরিবা পুংফমদু চপ চানা থুংলুই ঐ। মান্দবতুগী মখোঙ খুদিং, হেক থোঙ্গালমক্তুদই হৌনা ময়েক লানা ইদুনা থেৎলম্মী... 'লৈ কৎপদা শেল য়াওবীগনু, মোবাইল ফোন মূখৎপীয়ু'...। লুপা তরা চৎপী হন্তক তৌবা খরা থিদুনা পুরুবদু অরেম্বা তাখি। 'ভাবোক্তা পৈশা থাবীগনু' হায়বা সাইন-বোর্দ অমা থেৎপসু, কর্ম্ম-মফম ফনা য়াম্না থেংনরে। সঙ্কীর্ত্তন -ময়ায়দা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা ঈশৈ শকপশিং অদুগা, অকোয়বদা ফমদুনা ঈশৈ তারিবা মখোয়গা শেল মান্ননা ফংমিন্নবদা পেন্দ্রবা শৈশকপশিংগী ৱাকৎ... অহল ওইদ্রিবা অহল শাবা মীওই কয়া লৈকায় খুদিং থোক্লকপা, মীনা থীনা ঙাঙনরকপা কয়াশিদই হৌদোক্লরকপা প্রাক্টিস অমনি। অসিগুম্বা সাইনবোর্দ'না শৈফম খুদিং লৈতেংলক্লবা, অনৌবা চৎনবী অসিসু হোংদোকখিনি শোয়দনা।

ৱারেংসিগী পান্দমদি 'ভাবোক্তা শেল থাবই চৎনবী' সিগী মরমদা ইবা নত্তে। ফিরোই থৌরম অদুগী মরু ওইবা 'এত্রেক্সন'-ককচীংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মগী 'গীতা পাঠ' অদুনি। ঐগ্যা ব্রজমনিগী গীতা-পাঠ, মণিপুরগী মফম কয়াদা মশীং খঙদনা তাখরে। থেঙ্খাং খুদিং অনৌবা এক্সপরিয়েন্স অমমম! নুমিত্তুগী এক্সপরিয়েন্স'না অমা। হিন্দুশিংগী খ্বাইদই চাউবা লাইরিক, মহাকাব্য (গ্রেৎ ইপিক) অমনি শীংথানরিবা 'মহাভারত' কী 'ভীস্ম পর্ব'দা য়াওবা, শৈরেং (স্লোক) চাতরেৎ'না শাবা পন্দুপ অমনি শ্রীমদ ভগবত গীতা। পোকমিন্নদবা মচীন-মনাও নাকপাক অনী - ধৃটরাষ্ট্র'না পোকপা মচীন মনাও চামগী 'কৌরব' তেঙ্গোল অমসুং ধৃটরাষ্ট্রগী মনাওনুপা 'পান্দু'না পোকপা মচীন মনাও মঙাগী 'পান্দব' লান্মী তেঙ্গোল - অনীগী মরক্তা শোক্লরগদবা, থিংবা ঙমদ্রবা লাঞ্জাও অদুগী লানফম ময়ায়দা চঙলব-তুং, পান্দব তেঙ্গোলগী মরু ওইবা লাল্লোয় 'অর্জুন'না খূৎলায় পায়খৎলু য়াদ্রবা, লম মচেৎ অমগীদমক, মীচঙ খোম্নরদুনা নুংশিনরমখ্রবা মচীন-মনাও, মরুপ-মপাঙ হাত্তোক্লগদৌরিবা- লানসিগী কান্নবা করিনো, ঐহাক লান য়াওররোই' হায়দুনা লৈখ্রবদা "অর্জুনগী পূক্লিং হোংহন্নবা, মথৌ মশক তাকপীনবা, অমম্বদা লম্মুক্লরবা মহাকপু মঙাল-মশক ওইরবা লৌশিং পূক্কে হাপচিনবীনবা' চথখিবা ৱাহং-পাউখুম ময়ামদুগী, নীংথিনা - তোখায়না ইথোল্লবা লাইরিক অদুনি - শ্রীমদ ভগবত গীতা- ঈশ্বরগী ঈশৈ, সোং ওফ দ গোদ। তোঙানবা মীৎয়েং কয়াদগী য়েংলকপা, হংলকপা ৱাহং কয়াগী অপেনবা-পাউখুম পী'ঙম্বা 'গীতা'গুম্না মপূম-ফাবা অতোপ্পা লাইরিক অমা তাইবঙসিদা লৈখিদ্রি, হায়নৈ স্কোলার কয়ানা। শ্রীমদ ভগবত গীতা- লাইনীং লম্বী মখল অমা শন্দোক্লবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্ননবা লাইরিক নত্তে। লাইরিক অসি পাবদি পূন্সিগী ঈশৈ শকপনি... লম্বী লম্মুক্লরবশিংগী লমজিং মৈরা থিবনি।

অদুবু, মীওইবগী মচীনবু কনানা মেল্লুবা ঙমগনি? হায়রকই কনাগুম্বনা... 'যদা য়দাহি ধর্ম্মশ্য... মরক মরক করিগুম্বদা ধর্ম্মনা মরায় চায়থরক্লবা, ধর্ম্ম লৈতবশিংনা লাকশিল্লক্লবা মতমদুদা, ধর্ম্মগী য়ূম্ফম থোল্লম্বা, সাধু অমগী শক্তম লৌ মীওইবা মরক্তা অমুক নৌনা শায়োল্লক্কনি' হায়রম্বদো, কৃষ্ণ কৌবা মহাক্তুদি মীওইবা মরক অসিদা অমুক শায়োল্লক্তবনা হেন্না ফগনি মীওইবা খুন্নাইসিগীদমক ... চহী ৫০০০গী মমাঙ, মহাক পোকখিবা তানফমদুদা মহাক্না মরম ওইদুনা তাইবঙসিদা শিখিবা মীয়াম, খল্লুবদা তুজুংনীংঙাইনি... মহাভারতকী কুরুক্ষেত্র-লানফমদুদা শিখিবা লাল্লোয় মশীং, লাইরিক্তুদা ইরম্বগী মতুংইন্না, ক্রোর চাম্মা য়ৌরল্লোই, কুরুক্ষেত্রগী লানফম ময়ায়দুদা, শগোল-শামু দোলাই তোংবা লান্মীশিংগী মথক্তা, মখূত্তা থাঙ-তেন পায়বা খোঙ-লান্মী ... লাখ তরা-কুন নাকপাক নাকপাক লেপ্পরগা লাম্থেংননবা মফম কদায়দনো ... নুমিৎ তরানিপানখক শোক্লখিবা লানফমদুদা মীওই ক্রোর চাম্মগী থৱায় মাঙখিবই ৱারী থাজরুনি করম্না'...।

ঙসিগী তাইবঙসিগী রিঅলিষ্টিক ওইবা মীৎয়েংদা, মহাভারতকী লান তশেং তশেং থোকখিবা থৌদোক অমনি খল্লুবা, 'এবসর্দ' ওইবা আইদিয়ানি শোয়দনা হায়রক্কনি 'রাসনেলিষ্ট' অমনা। মতমদুগী মালেমগী অপূনবা পোপ্যুলেশন অমা লানফমদা থৱায় মাঙনবগী মরম অমা ওইখিবা লাঞ্জাওদুবু লুচিংখিবা, থিংনবা হোৎনখিদবা কনাগুম্বা অমা, মহাক্না অমুক তাইবংসিদা হল্লক্কনি খনবদা হরাওদৌবা কনানো? হিটলর, ষ্টেলিন, তাইমুর-লাং, অশোকা অমদি জহাঙ্গির ইতিহাসকী তমথীবা রুল্লর কয়ানা হাৎখিবা মীগী মশীংগা শ্রীকৃষ্ণগী মতমদা শিখিবা মীগী মশীংগা চাংদম্নবা য়াবা নত্তে। মহাক্না অমুক লাক্লবা অদুগম্বা লাঞ্জাউ অমা থোক্লবদি শোয়দ্রবনি। মহাক অমুক হল্লক্তবনা মীওইব' খুন্নাই অসিগী হেন্না য়াইফবা ওইগনি ... ভগবত গীতাগী ক্রিটিকশিংনা য়েৎপা মরৈ অমনি।

মতাংসিদা নীংশিংই - থৱায় পানবশিংবু নুংশিবা, অহিংশাগী শক্তম ওইবা ভারত-জাতিগী মপা-মোহন্দাস করমচান্দ গান্ধী! থৱায় পানবা পূম্নমক্তই অথোয়বা, মহা আত্মা 'মহাত্মা'। মশীং থীঙমদ্রবা থৱায় কয়া শিহনখিবা লান, লান্দু কান্নদবনি ঐহাক শোক্লজররোই হায়দুনা খূৎলায় পায়যু য়াখিদবা, 'ক্ষত্রিয় ওইনা পোক্লগা লানফমদই মমায় লৈবদি পাঙদবগী থৌদৌনি মথৌ মশক খঙদবনি, লানফমদা য়েক্লবা হাৎপদি ক্ষত্রিয়গী মথৌনি' ইনশিন্দুনা মী হাৎহনখিবই ৱারী'দু গান্ধী'না হল্লি অতোপ্পা ৱাহন অমদা। মহাভারতকী কুরুক্ষেত্র নোংপোক ভারতকী কুরুক্ষেত্রদু নত্তে, মীওইবগী পূক্লিংদা মতম চূপ্পদা লেপ্পা লৈত' শোক্লরিবা, অফবা ৱাখল অমসুং ফত্তবা ৱাখল অনীগী লানফম অদুনি। লন-থুম-মিংচৎ-ইংখোল-শম্বনগীদমক লান শোক্লবা, মচীন-মনাও-মরী-মতা হাত্তোক্লবা... পামজদ্রে ঐ তৌজনীংদ্রে, অদুম্না নিংথৌ ওইদৌ শরুক, লম্বীগী চাক্লিবা ওইনা লেনবা পূন্সিদুবু হেন্না কল্লকচৈ ঐহাক্তি'... অর্জুনগী ৱাহৈ অদুবু হেন্না খোয়দাজবনি 'অহিংসা'না অচুম্বা ধর্ম্মনি' - থাজজবা গান্ধী'না।

কৃষ্ণ'না হায় অর্জুন'দা ... 'নঙগী করি নতীক্লা কনাবু হাৎপা ঙমদৌরিবা... কনাগুম্বা অমবু হাৎপা ঙম্মি খল্লুরিবা মহাক্তো থৱায় পান্দবা মীওইবগা পাংখক্লি...হাৎপা-তুপ্পা-শিবা উরিবসে নহাক্লা মপাম্থোংগী শক্তমনি... মশানা মশাবু শকখঙলবা মঙোন্দদি খেন্নবা লৈতে পোকপা অমসুং শিবগী...লানফমসিদা কনা নত্তে শিরিবা, শিরিবসু ঐহাক্লি,হাৎলিবসু ঐহাক্লি... নহাক্তি চুম্না লীলা শান্নবদুখক্তনি তৌরিবা... তৌ ঐনা হায়বদুতমক, খূৎশু খূৎলায় পায়খৎলু'...।

পূক্লিংসিদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা অনীগী মূক্লবা, ভগবত গীতা'দা কৃষ্ণ অমসুং অর্জুন অনীগী নিংঙাই অদুনি। ●

# য়ুনেস্কোগী ইন্টরনেশনল মাদর লেংগ্বেজ দে ২০২৬- নুমিৎ অসিগী মরু ওইবা পাউজেল

- তোংব্রম অমরজিৎ -



ঙসি মালেমসিদা ঙাঙনরিবা লোলগী মশীং অসি সর্ভে অমগী পাউদম মতুংইন্না লিশীং তরুক হেন্না লৈরি। তৌইগুম্বসুং অপীকপা ফূরুপশিংনা ঙাঙনবা ময়েক্তি লৈহৌদবা অদুগুম্বা লোলশিংদি মতমগী শাফু কল্লবা চাওখৎপগী লোল ওইবশিংগী মরক্তা পুনশিন, তিনশিনখিবা অমদি ঙাঙনবা মীগী মশীং হন্থরকপনা তপ্না তপ্না অশিবা লোল হায়বদু ওইবা কয়া য়াওরক্লি। খুদম অমত্তং নীংশিংবা য়াবদি অন্দমান নিকোবর ঈথৎতা লৈবা বোআ সিনিয়রনা ২০১০দা লৈখিদবদা 'বো' হায়রিবা লোল অসি মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখি। লোল অসিগী নুংশিবা খোম্থোক অমুক হন্না তাবা ফংলরোই। অসুম্না অপীকপাফূরুপশিংনা ঙাঙনবা লোল কয়া গ্লোবেলাইজেশনগী অকনবা ঈরৈদা মমি শামজিল্লকপা কয়া লৈরক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা য়ুনেস্কোনা ২০০০দগী হৌনা তোঙান তোঙানবা থিম কয়া চহী খুদিংগী থমদুনা ইমালোল নীংশিং নুমিৎ পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। লোল হায়বসিদা ফূরুপ অমগী কলচরেল আইদেন্টিটি য়াওরি, লোল হায়বসিদা মীওইবা খুন্নাইগী মাঙফ-তাফদ্রবা খুন্নাইলোলগী মশক অমদি সিভিলাইজেশনগী পুৱারীসু ময়েক শেংনা য়াওরি অদুনা মশাগী লৈজরিবা লোল শীজিন্নবগী মরু ওইবসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা কুমসি চহী ২০২৬কী মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ নীংশিং নুমিৎকী থিমসু অসুম্না পীরি - "Youth voices on multi-lingual education"। আর্টিফিসিএল ইন্টলিজেন্সকী লাক্লিবা অহোংবা অওনবা কয়াগী মরকসিদা কুমসি চহীগী থিম অসিমক য়াম্না মরু ওই অমসুং হেন্না ৱাহন্থোক লৈ। লাইরিক তম্বদা থায়নগা য়াম্না খেন্নরক্লি। ঙসিগী মীরোলনা লাইরিক লাইশু তম্বদা মরু ওইরক্লিবসিসু মল্টি-দিসিপ্লিনরি ষ্টদিজ অসিসু অমনি। হীরম কয়াদা হৈথোই-শিংথোইবা মরু ওইরক্লি। মসিগা লোয়ননা মমালোলসু হেন্না মরু ওইনা খঙদবা য়ারক্তে। মরমদি ফূরুপ অমগী শক্তম অমদি পুৱারী পূম্নমক লোল হায়বসিদা কায়দোং ওইদুনা নোলেজ সিষ্টমসিদা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা পুরদুনা লাক্লিবনি। মালেমসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মীওই ফূরুপ কাঙলূপ কয়াগী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওনদুনা লাইরিক লাইশুগী লম্দা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী হীরমদা, পুৱারী নৈনরকপদা অমদি হীরম কয়াদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি লোল হায়বসিনি। লোল হায়বসিদা য়াওরি লাইনীং লাইশোন, কলচর, পুৱারী, আইদেন্টিটি। মীওইবগী লৌশিংগী পূক্কেসু মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চিন্থাংদা অদুগা অইবা লাইরিকশিংদা মথং মথং শমথদুনা লাক্লি। মালেমসিদা লৈরিবা মীওই বিলিয়ন কয়া অসিনা পাউ ফাওনরিবা অসি লোল হায়বসি লৈরম্বননি। অদুনা হায়নরিবনি লোলনা ইমানি, ময়েক্লা ইপানি।

করিগীদমক ফেব্রুৱারী ২১বু পৃথিবী শিনবা থুংনা মালেমগী ইমালোল নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লিবনো হায়বসি নৈননীংঙাইনি। মীওইবা খুন্নাইদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লাইনীং লাইশোন চৎপা মীওই ফূরুপ কাঙলূপ কয়া লৈরি। মখোয় খুদিংমক্কী মাগী-মাগী তোপ তোপ্পা লোল, ময়েক কয়া লৈরি। অমগা অমগা অমত্তা মান্নদে। মীওইবনা মালেমদা লৈবা হৌরকপদগী হৌনা অকনবনা অশোনববু তুহৎপা অদুগা অপীকপা ফূরুপ কাঙলূপ্পু পাঙ্গল কনবা লৈবাক নিংথৌনা লোই চন্দুনা কন থৌরবা লৈবাকশিং অদুগী মখাদা মখা পোন্দুনা লৈখিবা লৈবাক কয়াগী পুৱারী কয়া লৈরি। অসিগুম্বা মীশিং য়ামজদবা অপীকপা ফূরুপশিংদি অচৌবা ফূরুপশিংদা তিনশিনখিদুনা মশাগী লোল, কলচর অমদি আইদেন্টিটি মাঙখিবা য়াওদবা নত্তে। মীওই লাখ কয়ানা মতম অমদা ঙাঙনরম্বা অদুগা মরু ওইবা কলচরগী লাইনীং লাইশোনগী টেক্স কয়া ইরল্লিবা সংস্কৃট হায়বা লোল অসি ফাওবা হৌজিক মসিবু ঙাঙনরিবা, ইনরিবা মীওই মশীং মরাং কায়না লৈশিল্লক্ত্রিবনি। ইমালোলগী মরু ওইবসি মালেমসিদা বাংলাদেশনা নৌনা মীকপ থোকহনখিবনি হায়না লৌদবা য়ারোই। ইমালোল হায়বসিগীদমক থৱায়না পোম্থা পীবা হায়বসিসু মালেমদা অতাঙবনি। মসি পূম্নমক বাংলাদেশকী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈরি। কুমজা ১৯৪৮গী মতমসিদা পাকিস্তান লৈঙাক্কী লুচিংবা জিন্নাহনা ধাকাগী রেসকোর্স লম্পাক্তা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা পাকিস্তান লৈবাক্কী ষ্টেটকী লোলদি উর্দু নত্তনা অতোপ্পা লোলনা ওইবা য়ারোই হায়না লাউথোক্লকখি। করিগুম্বা মসিবু থৌওইদ্রবদি মীওইশিং অদু পাকিস্তানগী য়েক্লবা ওইনা লৌগনি হায়রক্লবদা বাংলানা মমালোল ওইজরিবা মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলশিং তূমিন্না লৈথোকপা ঙমখিদে। য়ানীংদবগী খোল্লাও কয়া থোক্লকখি। ধাকা সহর অমদি অতৈ মফমশিংদা শাথীরবা লাম্মৈ চাকপগুম্না ঈহৌ শাগৎপা অমদি য়ানীংদবগী খোল্লাও হেনগৎলকখি। মরম চাবা ঈহৌ ওইবনা অখণ্ড অহৈ ওজা কয়াসু য়াওশিল্লকখি। চোংথোক্লরকখি মমালোল বাংলাগীদমক অতৎ অখম লৈতনা জিন্নাহগী ৱাহৈশিংদুগী মায়োক্তা লেপ্পদুনা জয় বাংলা লাওদুনা। লোলগী ঈহৌ খংকন কনশিল্লকখি ১৯৫২গী ফেব্রুৱারী হেক য়ৌশিল্লকপদা। মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ শাথীনা কনশিল্লকখি। ধাকাগী মফম কয়াদা খূৎলায় পায়বা সিফাইনা পুমচায় চায়দুনা ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনখি। ইষ্ট বেঙ্গল লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অকোয়বদা মশীং য়াম্লবা সিফাইশিংনা কোয়শিন্দুনা ঙাক শেনখি। অসোমদা মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা গ্রুপ শেমদুনা লেপ্তুনা খোল্লাও লাউরকখি, বাংলাবু ষ্টেট লেংগ্বেজ ওইহল্লু হায়না। ঈরাং কনশিল্লকখিবনা লানবুং অমা ওইখি। ঈরাং লাকশিন্নবা টিয়র গ্যাস কাপখি, মহৈরোয় কয়া অশোক অপন নংখি। নোংমৈ মখোলনা নীনখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংৱাইরমদদি পুলিসনা ৱার্নিং অমত্তা পীদনা ওপন ফায়র তৌখি। ধাকা মেদিকেল কোলেজগী কেম্পসতা ঈখেংলক্তা পূন্সি পিখম্লখি মনিগঞ্জ কোলেজগী মহৈরোয় রাফিকুদ্দিন পুলিসনা মথোং মরম খঙদনা কাপশিল্লকখিবা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা। মীওই কয়া অমনা শাথীনা শোক্তুনা ধাকা মেদিকেল কোলেজদা লায়কন্নখি। নুমিৎসিমক্তদা ধাকা য়ুনিভর্সিটিদা পোলিটিকেল সাইন্সতা তম্লিবা আবুল বরকতসু নোংমৈনা পান্দুনা লায়কন্নবা ঙমদনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। লাইবক থীবা নুমিৎ অসিগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসিদা কষ্টমস দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা আব্দুল সলামসু লায়কন্নবা ঙমখিদে। দুকান ফমদুনা লৈজবা আব্দুল জব্বারসু পুলিসকী নোংমৈনা পান্দুনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। ইমালোলগী ঈহৌদা থৱায়না পোম্থা পীখ্রবা অথৌবশিং অদুগী মফমদা অরোইবা ওইনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি মহৈরোয় কয়ানা অমুবা বেজ থেৎতুনা মথংগী নুমিত্তা। মমালোল বাংলা থাদোক্লগা উর্দু ঙাঙগদবনি হায়দুনা নম্ফুন্দা তৌরক্লিবা থৌওং অদুদা তপথবা ঙমখিদে। খোয়শাওনবা হেল্লকখি। খোঙচৎ অসিবু থুগায়নবা খূৎলায় পায়বা পুলিসশিংনা অমুক্তা ওপন ফায়র তৌখি। লাইবক থীবা নুমিৎ অসিগী থৌদোক্তা ধাকা হায় কোর্টতা থবক তৌদুনা লৈবা সফিউর রহমন পূন্সি পিখম্লখি। বাংলা লোলগীদমক চংশিনখিবা খোঙজং অসিদা অথৌবা মঙানা থৱায়না পোম্থা পীখি। লোলগী কল্লবা ঈহৌ অসিনা মরম ওইদুনা বাংলাদেশ কৌবা লৈবাক অমা শেমখি ১৯৭১দা। লোলগীদমক ঈখেংনা ইরল্লবা পুৱারীনি বাংলাদেশকী। করম্না কাউগনি নুমিৎ অসিবু। মালেমসিদা লৈরিবা মমালোল লৈজবা অপীকপা কাঙলূপ ফূরুপ কয়াদা থৌনাগী মৈরি চুখৎলমখিবনি বাংলানা। ইকায়খুম্নফম থোকই লোল অমনা লোল অমবু। অদুনা য়ুনেস্কোনা মীফম অমা ১৯৯৯গী নবেম্বর ১৭তা ফমদুনা ফেব্রুৱারী ২১বু ইন্টরনেশনল মাদর লেংগ্বেজ দে হায়না লাউথোক্লকখি। অদুগা ২০০০গী ফেব্রুৱারী ২১দগী হৌদুনা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ পাঙথোক্লদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা।

ইন্দিয়াগী সংবিধাননা শকখঙলবা লোলশিংগী মনুংদা মণিপুরী লোলসু য়াওরি। কমদৌনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশননা শকখঙখিবনো হায়বদুগী পুৱারী লৈতবা নত্তে। মশাগী লোল ময়েক লৈজবা মণিপুরী লোল অসি লৈরম্বনা ঙসি চাওথোকচনা হিংবা ঙল্লি মণিপুরীশিংনা। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা তুংদা কন্সটিট্যুশনগী নীপালশুবা সেদ্যুলদা য়াওদুনা মশক খঙদনা ফনা কুইনা লৈখি। তৌইগুম্বসুং সাহিত্য একাদেমিনদি মণিপুরী লোলবু শকখঙখি ১৯৭২দা। পাচা মীতৈগী নোভেল 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম' দা অহানবা মণিপুরী লোলগী ওইনা সাহিত্য একাদেমি মনা পীখি। নীপালশুবা সেদ্যুলদা য়াওদবগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনখি। ঐখোয়গী অইবা-অইবীশিং তূমিন্না লৈথোকপা ঙমখিদে। ১৯৯২দা ইম্ফাল কংলাগী মনীং থংবদা লৈরিবা জোনষ্টোন স্কুলগী নোংপোক থংবা মায়কৈদা জন্যুৱারী ৯দগী ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবা মণিপুরগী অইবশিংনা খূত্থাং চরা হেনবগী কল্লবা খোঙজং অমা চঙশিনখি মণিপুরী লোলবু নিপালশুবা সেদ্যুলদা চন্নবা হায়দুনা। কাউবা য়াররোইদবা তাঙ্কক অমনা শক্লাইরবী অইবী এম কে বিনোদিনি অমসুং টি থোইবী দেবীনা লুচিংদুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখিবা অসিনি। ইমালোলগীদমক মণিপুরী অইবশিংনা তূমিন্না লৈথোকখিদে হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। ঈহৌ অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা মণিপুরী লেংগ্বেজ দিমান্দ কো ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা চাউরবা থৌদাং লৌখি। কম্মিটি অসিগী কনভিনরনা লৈহাওথাবম সরতচন্দ্রনা ওইখি। মতমদুদা এমসুনা চাউরবা থৌদাং লৌখি। ঈহৌ অসিগী খোঙজংশিং মথং-মথং চথদুনা ইন্দিয়াগী কেপিটেল ওইরিবা দেল্লী ফাওবা য়ৌখি। খোঙজং অসিদা মীওই কয়াসু পুলিসকা মুক্লবদা অশোক অপন নংখি। কাউবা য়াররোইদবা লমায় অমদি ওইদুনা লৈরি ঙসিসু। নমথবা য়ারোইদবা অমদি অশেংবা অচুম্বা ঈহৌ ওইখিবনা ১৯৯২গী ওগষ্টকী ২০দা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা শকখঙলবা লোল অমা ওইখি।

ইমালোল চাওখৎনবা হোৎনবদা খোরিরোল অমসুং অইবশিংগী থৌদাং খোরিরোলদা লোল হায়বসিনা থৱায় ওইরি হায়বসি খঙবনা মণিপুরদা সাহিত্য থৌপাং লূপ (সাথৌলূপ) না ২০১২দগী হৌদুনা ইমালোলগী মনা পীদুনা লাক্লি। অহানবা ওইনা লৈহাওথাবম সরতচন্দ্রদা অমদি এমসুদা পীখি। মথংদা খ্বাইরাকপম লোকেন, ওক্রম চুরামনি, লমাবম গোজেন্দ্র, চানম হেমচন্দ্র, দি এল কবুই, চুংখাম য়াস্বন্তা, মাখোনমনি, মাংপু কিলোং, রোবিন্সন মোয়োন, প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রো অমদি ২০২৬কী ওইনা মাওগী লেংগ্বেজ এক্টিভিষ্ট আসোসো খোলিদা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎখি। হেন্না নুংঙাইজবা অমদি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবদি, মণিপুরগী অসিগুম্বা য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইরিবা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২১বু ষ্টেটকী থাক্তা লূপ কয়ানা অমদি মণিপুর লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেশনগী দাইরেক্টোরেট য়াওনা নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্লরকপসিনি।

মণিপুরদা মীতৈশিংতা নত্তনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোল ঙাঙবা কাঙলূপ-ফূরুপ কয়া লৈরি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা কবুই ফূরুপসু অমনি। কবুই ফূরুপ অসিগী লোলবু হিংনবা কন্না হোৎনরিবা থৌমী অমা হায়রগদি দি এল কবুইসু অমনি অদুনা ২০২০দা মহাকপু সাথৌলূপ্না খুম্বোংময়ুম গৌরহরি মাধুমতি মাদর লেংগ্বেজ এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপশিংগী মরক্তা মাওগী লোল অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনরি অসোসো খোলিদা ২০২৬ ইমালোলগী মনা পীবসিদা মায়কৈ কয়াদগী পূক্লিং থৌগৎনরক্লি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা চীংলৈবাক্কী ইমা মণিপুরগী মতম্বাক্তা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্লা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা, নুংশিবা অমা য়াম্না মথৌ তারি। ঐখোয় তাঙ্খুলগী, অনালগী, কোইরেংগী অমদি অতৈ ফূরুপশিংগী লোল খঙমিন্নবা য়াম্না মরু ওই। মসিনা পূক্লিং থম্মোয়দা লৈনরম্বা থাজনদবা, য়েংথীনবা পূম্নমক কোকহন্দুনা ঈংবা-তপ্পা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনবদা চাউনা তেংবাংগনি হায়না চেৎনা থাজে। লোল য়াম্না খঙবনা ইনাকখুনবা অমদি লৌশিংগী পূক্কে চোলহনগনি। অফবা মালেম অমা ওইহনবদা তেংবাংগনি। ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -১৩

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

ঐখোয়না মৈতৈ পাঙল হায়না খঙনরিবা ইস্লাম লাইনীং চৎপা বাংলাদেশতা লৈরিবা মণিপুরী মৈতৈ পাঙলশিং অসিগী মরমদসু পন্দবা য়াদবা অমনা মখোয় হৌজিকসু মৈতৈলোল লোনবা ঙল্লি। বাংলানা মপূং ওইনা লোল্লবসু। বাংলাদেশ লৈঙাক্লা মখোয়বু মণিপুরীনি হায়না অদুম সেন্সসকী রেকোর্দতা অদুম য়াওই। বাংলাদেশতা লৈরিবা মৈতৈলোল লোনবা মৈতৈ পাঙল অসি মীশিং ২৫০০০মুক লৈবগী রিপোর্টসু থেংনৈ। মৈতৈগা পূন্না থবক থৌরম, সাহিত্যগী থৌরমদা ওফিস বিয়রর পূন্না পায়মিন্ননা, থবক থৌরম কয়াদা পূন্না চৎমিন্নৈ, পূন্না খুল থংননা লৈমিন্নৈ। মখোয় মণিপুরী মৈতৈ পাঙল হায়বদুনি হায়না চাউথোক্লা মফমদুদা লৈহৌই। মখোয়না বাংলাদেশ মুস্লিম ওনখিবদা কনানা থিংবা ঙমগনি, শক-চুসু চপ মান্নৈ কুইনা চহী চা কয়া লৈরক্লবনিনা বাংলালোলসু মমালোলনি, বাংলা লোল লোনবা হায়বসি লোন্দবা য়াদবা লোলনি। মরমদি মখোয়না লৈরিবা লম অদো বাংলাদেশনি। অদুবু থম্মোয়নুংদদি ঐখোয়সি মণিপুরদগী মফম অদুদা খুন্দাদুনা লৈখিবনি হায়বসি থম্মোয়নুংদগী কনামত্তনা লৌথোকপা ঙমদবনা হৌজিকসু মখোয় মৈতৈ পাঙলনি হায়বগী চাউথোকচবদু লৈহৌরি।

অচুম্বা পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা পঞ্জনীংবা অমদি খাগেম্বা সনা হাক্তক্তা মনাওনুপা শানোংবদগী হীয়াং তান্নবগী হী ৱাইরুবদগী ৱাইরুবা হী অদু হীয়াং তান্নবদুদা হী অনী থেঙ্গাইনবদা শানোংবগী হী কায়খ্রবদা অহনবা অমা শিংগে হায়বসু ময়াদা হান্নগী অদুমক পীগদবনি হায়না খাগেম্বগা শানোংবগা নীংঙাই শংদানরকপদগী শানোংবনা মতমদুগী নোংপোক বঙ্গালদগী মুস্লিম লান্মী কয়া নেক্তুনা পুরক্লগা খাগেম্বগী মথক্তা লান্দারক্লম্মী। খাগেম্বনা লান ঙমদুনা লানফা ওইনা ফাহৌবা 'বঙ্গাল' দগী মুস্লিমশিং অদুনি ঙসি ঐখোয়না 'পাঙল' হায়না খঙনরিবা পাঙল হায়বা ৱাহৈ অসি মৈতৈনা 'ব' হায়না নৌনা হায়বা ঙল্লমদবগী 'ব' দগী লৈতোন্দা থৈরক্লগা 'প' হায়বা খোম্থোক্লা হেন্না থুনা হৈখিবদগী পাঙল হায়না থোনখিবনি হায়বসি অহল লমননা অদুম হায়বীরম্মী অমসুং লাইরিক্তা য়াওবসু থেংনখ্রে। মণিপুরদদি মখোয় মণিপুরী লোলনা মমালোলনি, মৈতৈলোলগী অশেংবা ৱাহৈ ৱাতা, প্রমান পাম্থে সাহিত্যগী মচন লোইনা শুনা ময়েক শেংনা অদুম শীজিন্নৈ। মৈতৈ পাঙল লক্তগী শক্লাইরবা কবি লাইওইখ্রবা পুখ্রিময়ূম কয়ামুদ্দিন থোরকখি। লাইওইখ্রবা অবদুর রহমন থোরকখি। হৌজিক্তি পাঙল লক্তগী মচিন তুমখৎলক্লিবা কবি MM Ahmed, Ajrun Kabir, SM Shaikh, MAHasim, Benjamin Hakim Shah, Saroj Khan অতৈ নহারোল কয়া অমসু থোরক্কে।

ঐখোয়না, ঐখোয়দি মৈতৈ অশেংবনি মৈতৈলোলনা ইরোলনি হায়রবসু ঙসি মণিপুরী লোল অসি শিথরক্লবা লোল অমা ওইবা হেঞ্জিল্লক্লি। খুদম ওইনা - ইচা ইশু নিফু হায়ববু কয়ানো, হুম্ফু হায়বনা কয়ানো খঙদবনা অয়াম্বা ওইরে। অপোকপী মমাদা ইমা কৌববুদি 'মোম' নৎত্রগা মামা অপোকপা মপাদা কৌবনা 'দেদ নৎত্রগা পাপা', মচে মচন্দনা 'সিস' পূম্নমক অসি ইমালোল শিথরকপনি হায়না লৌগদবনি। ইচা ইশুনা ইংলিসকী ৱাহৈ অমা অনী ঙাঙবা হৈরকপদা ইমুং পূম্বা হরাওরি। মৈতৈ অমা ওইনা মণিপুরী ঙাঙবা ঙমদে হায়বা মৈতৈমচা কয়াসু থেংনরে। ইশাগী ইরোলসি ইংলিসনা মহুৎ শিনখ্রে মখোয় ইংলিস মচাসু নত্তনা। অদু ওইবা তারদি ইংলিস লোলদি ইনাকখুনবা হেনগৎলক্লি হায়বা তাবনি। মৈতৈগী লৈজবা মিঙ্গৌ-থাগৌ পূম্নমক মাঙখ্রে। লৈশাবী মশেল কৌনবদা ভাই হায়নৈ। ফজখ্রবা 'ইতা' মাঙখ্রে। ইতাও মাঙখ্রে,মনেম্বোক্তা ইমা কৌনরক্লে, লুহোংদ্রিবা লৈশাবীনা 'মৌপ্পা' বু ইনাওনুপা হায়নরক্লে, ইনাওনুপা হায়বসিদি লুহোংলবা তুং মৌ ওইরবা কান্দা মপুরোইবগী মনাওনুপাদুবুনি, মসি ইমুং মনুংগী মীওইনসু তাকপীগদবনি। মতৈবু তামো ওম্থোক্লে, পোকমিন্নবা মবুংবু ময়াম্বা হায়নরে, খুন্নাইসিনসু অদুম য়াই। শীজিন্নদ্রদি লোল অদু শিরবনি অদুনা ইনাকখুল্লবা মৈতৈলোল অসি শিথরক্তনবা করি তৌসিগে পঞ্জবনি। মৈতৈলোলদদি ফুরিৎ লিৎপবু - লিৎপা হায়, খোঙ্গাও শেৎপদনা - শেৎপা হায়, খোঙউপ তোংবদনা তোংবা হায়, তুপী উপ্পদনা - উপ্পা হায়। পেটি ফাবদনা ফাবা হায় কয়াদা ইনাক খুল্লিবা মণিপুরী লোলসি। নুপী ওইবীগী মায়থোঙদা কেবা মৌবদা অমুক য়েংসি - মমাঙদা উরিবা মায়থোঙবু মমাই হায়, নাকল নাম্মগী মমায়বুনা খজাই হায়, পাওদর থাববুনা পাওদর থাবা হায়, চিনবান্দা লিপষ্টিক তৈববুনা তৈবা হায়। মমিৎ মপান্দা পা হাপ্পবুনা হাপ্পা, পিশুমদা মুনবা তৈবা অদুনা পিশুম য়েকপা হায়। চন্দোন থিনবনা থিনবা হায় চিংবদি হায়নদে। লাইবক্তা সিন্দুর নম্ববুনা নম্বা হায়। সনা শিববুনা শিবা অদুম হায়। নাচোম্বুনা থেৎপা হায়নৈ। মীৎপান্দা মুনবা য়েকপবুনা কাজোল য়েকপা হায়নৈ। শল্লাংনা লাইবকথক্তা তুবৎ তারগা ককপবুনা সাই ককপা হায়। চীংহি লুববুনা লুবা অদুম হায়নৈ। (শম্বাল লাংবা) লৈহাও অমা শল্লাংদা থেৎপবুনা থেৎপা অদুম হায়নৈ। য়েংঙু কয়াদা য়ামখ্রবা নুপীগী মায়থোঙ অমদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিংসে। লৈঙাক্কী ওইনা পোলিসি অমগী মখাদা মণিপুরী গ্রাম্মার, মণিপুরী লোলগে, অতৈ অতৈ মাঙথরক্লিবা, খোরিরোলদা মণিপুরগী শীজিন্নরম্বা ফজবা ৱাহৈশিং শীজিন্নবা হেনগৎলক্লবা থবক থৌরম কয়া য়াঙনা চঙশিলহৌদ্রবদি চিনদা অদুম মণিপুরী লোল অসি কনসি শোল্লগা অনাবদুদি কনবা ঙল্লরোইদবা লাষ্ট ষ্টেজ ওইরমগদৌরিবনি। ঐখোয় মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমী ফূরুপ খুদিংমক মশাগী লোল লৈনা লৈনা মণিপুরী লোল অসি খঙই অদুবু ঐখোয় মৈতৈনদি য়েলহৌমী ফূরুপ অমগী মরোল অদু খঙবা ঙমদে। অসিসু অরুবা অমনি... অদুবু মৈতৈ পাঙলদি মণিপুরী লোলনা মমালোল ওই।



মৈতৈ পাঙল কবি Shajjadul Haque Swapan না মহাক্কী লাইরিক খুদোল তৌরকপা

ঐখোয় ফিরোল শেৎচিল্লবা তুং থৌরম পাঙথোকফম মখাদা কুমথরে। মতমদো পুং ৯.৩০ মুক তারল্লদ্রা। মী খরদি লাকপা হৌনরে। কমলগঞ্জগী ওইনদি ভানুগচকী অকোয়বদা তারিবা মৈতৈ খুঙ্গংশিং অসিদগী লাক্লগদবনি। মরু ওইবা সংসদকী থৌমী কয়া অমনা সিলেটতগী থুংলরগদবনি। ষ্টেজগী অশিন অরাং তৌরিবশিংনা 'স্পিকর'গী থম্ফম, ইলেক্ট্রিককী রিহার্সেল তৌরি। ঐ মাঙদা মীওই খরগা ৱারী শারিঙৈ তুং ওম্থোরকপদদি মী ফনয়ামদুম তিল্লরে। বাংলাদেশতা ফোঙখ্রবা মণিপুরী লাইরিকশিং য়োনবা বুক ষ্টোল অনীসু শেম শাবা লোইখ্রে। কমপ্লেক্স অদুগী চীঙ্খে পাংবদা অচা-অথক য়োনফম শঙ মচা অমসু হাংলে, বাংলাদেশি নহা অমনা। মথং-মথং সুম লাক্লরি। বাংলাদেশ মণিপুরীশিংগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা থৌরম ওইবনা। নুপী-নুপা, নহারোল মীয়াই চল্লবা, চল্লবী, অহল লমন ওজাশিং পুন্সা তিল্লরে। ইচে ইচল কয়ানা কেনা মৈতৈগী ফিজোল শেৎ চাদুনা ঐখোয় মৈতৈনি হায়বদু ইরায় লায়না মোইরাংফী মপানগী ইনফী অমসুং ফনেক মপান নাইবগী ফিজোলদুনা ইরায় লায়না তাক্লি। বাংলাদেশতা লৈরিবা মৈতৈশিংসি অতোপ্পা ঈগা তিনশিন্নদে অদুনা ওইবতাই মৈতৈগী অশেংবা শকফম ঙাক্তনি ঐখোয়না উরকখিবা। ফিজোলনা মাগী মাগী ফূরুপ্পু কয়াদা লায়না মশক তাক্লিবা। শাড়ি শেৎপা উদে শেৎলল্লবসু মখোয় বাংলাদেশি ওইরমখি। কয়াদা মগুন লৈরিবা মণিপুরী মৈতৈগী ফিজোলসে। তশেংনা মফম অদু বাংলাদেশকী লম অমনি হায়বসি কাউথোকহল্লি। ওজা এ কে সেরাম, বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী প্রসিদেন্টসু থুংলরে সিলেটতগী অয়ূক অঙনবগী থৌরকপনি, সংসদকী থৌমী খরগা লোয়ননা। সিলেটতগী কমলগঞ্জগী থৌরম পাঙথোকফম ফাওবসি কিলোমিটর ৭৭.২ মুক লাপ্পী। হোরেন ইকায়খুম্নবা উৎকদবা অমসুং জগোয়গী পর্ফোর্মেন্স উৎপীগদবা বাংলাদেশকী শক্লাইরবা ধাকা য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসরসু ওইবীরিবা Warda Rihab ঙন্তা লাক্তুনা মাঙদা ফল্লগা লৈরে। ঐখোয়গী 'মণিপুর' টিমগী নুপী অইবী মরি লৈকোনগী মহুৎ শিন্দুনা লাক্লিবা ইতৈমা চুংখাম সুবদনি, ইচে এল সবিতা, জি এ ঘনপ্রিয়ারি, ওজা এন রঞ্জনাহোয়সু ফনেক ময়েক নাইবা শেৎতুনা ফমখিবা উরে। বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবা লোইশিনবগী থৌরম হৌননবা শেম শাবা পূম্নমক লোইরে!! ● (...মখা চথরকখিনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।